ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯏꯔꯥꯏ, ꯗꯤꯁꯦꯝꯕꯔ ꯰꯳, ꯲꯰꯲꯱, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯵ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯲꯴꯸ ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ
ইরাই, দিসেম্বর ০৩, ২০২১, ইম্ফাল
৪৫শুবা চহী, ২৪৮শুবা মশীং

## হেক্তা তৌশিনবা চুমদে

### শোয়রকান্দা কনাগী মাঙজবনো

নবেম্বর ৩০, ২০২১দা জৌজাংতেকতা এক্সিদেন্ট অমা থোকখ্রে। থৌদোক্তু মণিপুর রাইফলসকী পর্সনেলশিং পুবা মারুটি জীপসি অমগা এম্বুল্যেন্স অমগা 'হেদ ওন কোলিজন' মমায়-মমায় থেংজিন্নবনি। এম্বুল্যেন্সতুনা মারুটি জীপসিদুদগী চাওবা হেনবনিনা কা হেন্না অমাঙ-অতা থোকহৌদ্রে। লাইবক ফবদগী এম্বুল্যেন্সতা তোংলকপা অমসুং থৌরকপা মীওইশিংদি শোকহৌদ্রে। অদুবু মণিপুর রাইফলসকী পর্সনেলশিং পুরকপা গাড়ীদুদি ফজনা অকাই-অতোয় নংখি। মসিগী মথক্তা দ্রাইভর য়াওনা আর্মদ পর্সনেলশিং শোকখি। শোক্লবশিংগী মরক্তা সিরিয়স ওইবসু য়াওবদগী হেলিকোপ্টরনা ফাওবা পুরক্তুনা লায়কন্নখি। থৌদোক্তুবুদি থৌওইনা থোকহনগে হায়দুনা থোকহনবমক্তি ওইরম্লোই অদুবু করিদগী থোকখ্রিবনো হায়বগী মরমদি ময়াম লৈগনি। মরম লৈতনা থোকপা য়ারোই। অদুবু লৈরিবা মরমশিং অদুগী মনুংদগী খ্বাইদগী মরু ওইবা মরমদি এম আরগী আর্মদ পর্সনেলশিং অদুবু পুরিবা গাড়ী অদু মীচম দ্রাইভর (সিভিল দ্রাইভর) অমনা থৌহনখিবদগীনি হায়বসিনা মরু ওইবা মরমনি। গাড়ী থৌবা হৈরে হায়দুনা ষ্টেটকী আর্মদ পর্সনেলশিং পুদুনা চৎকদবা গাড়ীশিং লন্নাই দ্রাইভরদা থৌহল্লোইদবনি। মসিগীদমক্তা মণিপুর পুলিস দিপার্টমেন্টতা তোঙান্না দ্রাইভর নৎত্রগা কন্সটেবল দ্রাইভরশিং রিক্রুট তৌদুনা লৌরিবনি। ত্রেনিং পীরিবনি, সর্ভিস নোংমৈ ইস্যু তৌরিবনি। মসি হায় হায়দুনা পুলিসকী দ্রাইভরশিংনা থৌবা গাড়ীশিংদি লম্বীদা খুদোংথীবা থৌদোক অমত্তা থোক্তে হায়বগী ৱা নত্তে। এক্সিদেন্ট হায়বসিদি এক্সিদেন্টনি, তম্বা ঙম্বা নত্তে। য়াম্না চেকশিন্না কন্ত্রোল তৌদুনা থৌরগসু মেকানিকেল দিফেক্ট খঙহৌদনা থোরক্লগদি মতম অমসুং মফমগী ৱা নত্তনা খুদোংথীবা থৌদোক হেক্তা মায়োক্নরকপা য়ারিবনি।

অদুবু জৌজাংতেককী থৌদোক অদুনা চুম্নতগী গাড়ী অনীগী মরক্তা থেঙ্গাইনখিবগী ৱানি। থৌদোক্তুনা অন-লোফুল অন্দরগ্রাউন্দ ওর্গনাইজেসনশিংগী এক্তিভিষ্টশিংনা এটেক/এম্বুশ চত্থরক্লম্বা ওইরম্লগনা কম্মাই তৌবা? অসিগুম্বা থৌদোকশিং থোকচিল্লক্লগদি সিক্যুরিটি পর্সনেলশিং পুদুনা চৎলিবা গাড়ীবু থৌবা হৈরে হায়দুনা সিভিল দ্রাইভর অমনা হেক্তা থৌহনবা চুমগদ্রা? মরমদি পুলিসকী দ্রাইভরশিংদদি গাড়ী থৌবা খক্তা নত্তনা অসিগুম্বা থৌদোকশিং থোরক্লগনা মতৌ করম্না মায়োক্লগনি, মতৌ করম্না গাড়ী থৌরিবা মহাক অমসুং মহাক্লা পুদুনা চৎলিবা খূৎলায় পায়বা পর্সনেলশিং অদুগী পুন্সি অমসুং মখোয়গী খূৎশু-খূৎলায়শিং কন্ননবা করি তৌগনি, এটেক্করশিংগসু করম্না থেংনগনি হায়বগী তোঙানবা ত্রেনিং য়াওরিবনি। খুদম ওইনা ষ্টেটকী গভর্ণর অমসুং চীফ মিনিষ্টরনচিংবনা তোংগদবা গাড়ীশিং থৌবা হৈরে, খঙন-চানবা, নক্লবা মীওইনি হায়দুনা মী অমনা হেক্তা থৌহন্দ্রিবসি মরম লৈবননি। জৌজাংতেককী থৌদোক্তু বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্টতা হাওস গার্দ কম এস্কোর্ট পর্সনেলশিং ওইনা প্রোভাইদ তৌবা এম আর পর্সনেলশিংগী গাড়ীদা থোকই হায়বগী ৱা নত্তে। হোম অমসুং পুলিস দিপার্টমেন্টনা হাওস গার্দ কম এস্কোর্টকী মথৌ তাবনি হায়বা মীওইশিংদা আর্মদ পর্সনেলশিং প্রোভাইদ তৌরিবনি। তৌসনু, তৌফম থোকপদগী তৌবনি। অদুবু অসিগুম্বা মথৌ তাবা মীওইশিংদা আর্মদ পর্সনেলশিং পীবদা পর্সনেলশিং অদুনা তোংনবা গাড়ী পীদবা, গাড়ী পীদ্রবনিনা দ্রাইভরসু পীদবগী থৌদৌশিং হেক-হেক থোকই। মসিদগী এস্কোর্ট লৌরিবা মীওইশিংদুনা মেকানিকেল্লি ফিট ওইবা/ওইদবা থিদনা, চ্যেক তৌদনা থৌবা য়ারবনি হায়বা গাড়ী অমা হেক্তা পীশিল্লি। সিভিল দ্রাইভর অমনসু হেক্তা থৌহল্লি। লিশাং-শিংনা লৈরক্লিবা মসিগী চৎনবী অসিনা লম্বীগী খুদোংথীবা থৌদোকশিং থোকহনবগী মরমশিং ওইরকই। জৌজাংতেককী থৌদোকসিগী মমাঙদা আর্মদ পর্সনেলশিং পীবা মীওইশিংগী মরক্তগীসু অসিগুম্বা থৌদোকশিং থোকপা য়াওখ্রে। এস্কোর্ট পর্সনেলশিং শোকপা-শিবা য়াওহনখ্রে। মসি থোক্তনবা করি করম্বা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎকদগে হায়বরোমদা পূক্নিং চঙহন্নীংই। হোয়, আর্মদ পর্সনেলশিং পীবদা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী গাড়ী অমসুং দ্রাইভর লোইনা পীবগী খুদোংচাবা লৈরম্লোই, কোন্নরম্লোই, পীনীংঙাই লৈরম্লোই। অদুবু আর্মদ পর্সনেলশিং অদুগা কোন্ননা মখোয়না তোংনবা গাড়ী, থৌননবা দ্রাইভর পীবা ঙমদ্রবসু খূৎলায় পায়বা পর্সনেলশিং কোইপু-পুদুনা চৎকদবা গাড়ীশিং অমসুং দ্রাইভরশিংদুদি কুপ্না এগজামিন তৌরগা মাঙজৌনবা ব্রিফিং তৌহৌবা চুমগনি। মসিনা থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিংগী চাং হন্থহনগনি।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৩১

১) *"শীঙেন নাচোম"* হায়বা কুমজা ১৯৩৯দা অহানবা ফোঙখিবা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

২) **"তমথীবা নোংলৈ"** হায়বা লাইরিক অসি ওরিজিনেল কনানা ইবা, করি লোলগী লাইরিক্তগী মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে?

৩) **"ৱাখলগী মরোল মরোল নাইরবা চেনাশিং/আশাগী ৱাংখৎখ্রবা তেলঙ্গাশিং/কোয়লৈ কোয়লৈ/অকনবা নুংশিৎনা/হুমদোকখ্রি অসুম ইকুম ওইনা/থম্মোয়নুংদগী/মরূ ফূকখ্রি মঙলান য়াওনা।"** শৈরেং মতেক অসি কনানা ইবা করি লাইরিক্তা য়াওবা করম্বা শৈরেংদগীনো?

৪) *"পোইরৈ নাৎকী ৱারেং"* হায়বা লাইরিকঅসিগী অইবা কনানো?

৫) *"কেকু লোৎপী"* হায়বসি অইবা কনানা ইবা, করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম দিসেম্বর ১৫, য়ূমশকৈশা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# ৱাখল-লায়নাগী তোঙানবা লায়েংশঙ লীংহন্নীংই

**মতম মতমগী ৱাফম**

**সেঞ্জম দেবেন**

ইরমদম মণিপুরসিদা হান্না লৈরম্বা লায়না মখলশিংগী মথক্তা হৌজিক-হৌজিক মণিপুরদা খ্বাইদগী হেন্না মশীং য়াম্না নানরিবসি সাইকিয়াত্রিকনি। লায়নাসিবু মীয়াম্না য়াম্না শম্না, "ৱাখল লায়না" হায়রগসু খঙনরি। হৌজিক্কী মতমদা লায়না মখলসি ষ্টেটসিদা অসুক্কী মতিক মশীং থিঙমদনা লৈ। লমদমসিদা নোংমা কাংদনা থোক্লক্লিবা মীশি-মীনাশিং, মীহাৎ-মীপূনশিং অমদি তুজুং-মাঞ্জুংবা, শা-লানগী থবকশিংদগীসু হেন্না শাথীবা থৌদৌ কয়ামরুমসিনা ইরায়-লায়না লায়নাসিবু নাহল্লকই। লায়নাসি ঙসিদগী চাউরাক্লা চহী নিফু-য়াঙ্খ্রেরোমগী মমাঙদগী হৌনা লমদমসিদা য়াম্না কম্মন ওইবা লায়না মখল অমা ওইরকই। তৌবদি ইরমদমসিনা ওইরিবা ফীভমসিনসু লৈবাকসিগী মীয়াম্না মতৌ করম্না লায়না মখলসি নানরোইদগে? তশেংনা হায়রবদা, মণিপুরগী মীয়ামসি লায়নাসিনা নাবু নামন্দ্রবনি। মহৌশানা ৱাখল লায়না হায়বসি মমা-মপাদগী মচাদা হেরিদিটরি ওইনা পর্সেন্টেজ য়াম্না ৱাংনা লৌনগনবা লায়না মখল অমসু ওই। পূন্নমকসিনা মরম ওইরগা, ঙসিদি ইরমদমসিদা নৌনা তাইবঙ খোঙদারকপদা ঙাইরিবা অপিকপা অঙাংশিং ফাওবনা ইরায়-লায়না লায়নাসি চেন্নরকপা য়াবগী মরমশিং লৈ। লায়নাসিগী মখলসু অসুক্কী মতিক য়াম্মী। তশেংনা লম্বী শোরোক্তা ঙাওদুনা চৎলিবা কাঙবুশিংসিসু অশেংবদি লায়নাসিনা নাবদগী ঙাক্তনি। মথক্তা পঞ্জখ্রিবা মরমশিংসিদা মণিপুরগী মীয়াম্না লায়নাসি চেন্দনীংঙাইগী মরমশিং লৈব্রা? তৌবতবু, লায়নাসিগী মওংসি অয়াম্বনা মনা-মনিল ইনাই-নাইদবগুম তৌই। ফীভমসিদা মীয়াম্না খঙনবসু ৱাৎলি। অসুম্না নোংম-নোংমগী মণিপুরদা ৱাখল লায়নানা নাবা মীগী মশীং অসুম-অসুম হেঙ্গৎলকই। ফীভমসিদা মণিপুরদা ৱাখল লায়নানা নাবা অনাবশিংগীদমক লায়েংশঙ (হোস্পিটাল) অমত্তংদি মফম খঙনা থমহন্নীংই।

ইন্দিয়াগী মনুংদা পীক্লবা ষ্টেট মণিপুরসিদা নুমিৎ খুদিংমক্কী থোক্লিবা তুজুং-মাঞ্জুংবনা থল্লবা থৌদোকশিংসি ইন্দিয়াগী অচৌ-অচৌবা ষ্টেটশিংসিদা থোরকপশিংগা পর্সেন্টেজদা চাংদম্নরুবদা অসুক্কী মতিক মণিপুরগীসিনা ৱাংনা হেল্লমগনি। মণিপুরদদি তশেং-তশেংনা মায়কৈ খুদিংমকসি টেন্সন কাফমগী কাফম ঙাক্তনি। মণিপুরদা লালহৌবা ইচিন-ইনাওশিংনা মথি ফোংবা হৌরকপা অমসুং লৈঙাক্কী ফোর্সশিংনা লালহৌবা ইচিন-ইনাওশিংবু নমথনবগী মিংদা লমদমসিদা চত্থরকখিবা মীফা-মীপূনশিং অমসুং মীশি-মীনাগী চাং অসুক্কী মতিক ৱাংই। থৌদৌশিংসি চাউরাক্লা ঙসিদগী চহী ৪০/৫০ রোমগী মমাঙদগী হৌনা পাকথোক-চাউথোক্লককখিবা ঙাক্তনি। শাংখ্রবা মতমসিগী মনুংদা লৈঙাক্কী ফোর্স কয়ামরুমগী মপুন্সিশিং লমখাংদা লোইশিনখ্রে, মায়কৈ অমরোমদসু লালহৌবা ইচিন-ইনাওশিং কয়ামরুমগী থৱায়শিংসু খাঙুথক্তা পিখম্নখ্রে। লমদমসিদা নুমিৎ খুদিংগী নোংমতা কাংদনা নোংমৈ কাপ্নবগী থৌদৌশিং চত্থরকই। অহিং খুদিংগী নোংমৈ খোঞ্জেল লেপ্তুনা তানরম্মী। মতমদুদনি লালহৌবা নহারোলশিং থিবগী মিংদা লমদমসিগী লাঞ্জদ্রবা ইচে-ইচনশিং অমদি ইচিন-ইনাওশিং কয়ামুকপু ইন্দিয়া লৈঙাক্কী ফোর্সশিংনা মনীং তম্না ওৎপী-নৈবীখি। থৌদৌশিংদুগী ৱারীশিংদু হন্না খক পন্নীংদে। লমদমসিগী মীয়াম্না ঙসিসু থৌদোকশিংদুবু খক কাউনবা লৈত্রি। ঙসিসু লমদমসি হায়রিবা থৌদৌশিংদুগী অকিবদগী পুমকোক কোকপগী ৱাফম লৈত্রি। লালহৌবা ইচিন-ইনাওশিংগা লৈঙাক্কী ফোর্সশিংগা খূৎ থোক্লবগী ৱারী পুমলোয় লোইশিনখ্রবা নৎত্রি। চহী ৫০ লানফম ওইদুনা লাকখ্রবা লৈবাকসিগী মীচম-মীয়ামশিংনা কৈদৌঙৈনো মশাদা ৱাখল লায়না মচেৎ অমফাও পক্তনা হিংলক্কদৌরিবা? কৈদৌঙৈনো হেরিদিটরি ওইনা লৈহৌরবা লায়নাসিগী অকিবসি মচেৎ অমা ফাওবা ফাওদনা ঐখোয়না হিংবা ফংলক্কদৌরিসি? ফীভমশিংসিদা মণিপুরদা ৱাখল লায়না (সাইকিয়াত্রিক) তগী ওইবা হোস্পিটাল অমা মপূং ফানা লীংখৎপগী তঙাইফদবা অসুক্কী মতিক লৈ। তশেংনমকসুনি মণিপুরগী মীচম-মীয়ামশিংনা তেন্সন য়াওদনা হিংবা পুন্সি অমগী নুংঙাইবদু ঙসি ফাওবদা খক ফংলকত্রিবরা খল্লি। অদুম ওইনমক লাইবক্তা তম্লম্লবা তঙাইফদনা মায়োক্নরগদৌবা ইরমদমসিগী থৌদোক-ৱাথোকশিংগীদমক ঐখোয়না কৈদৌঙৈদা খক ইথন্তা থৈদোকচনবা পাম্বে লৈখিরোই। অদুবু সি হায়দুনসু ঐখোয়না থৌওইদবদি খক তৌরোইদবনি। ঐখোয়গী ৱাখল, ঐখোয়গী পূক্নিং অমসুং ঐখোয়দা পক্লিবা ৱাখল লায়নাসি মতম লৈবা খিবিক্তা মতম চানা লায়েংথোক্লবা হোৎনগদবনি।

হোৎনহৌদবদি খক চুম্লোই।

মথক্তা পঞ্জখ্রিবশিংসি মণিপুরগী মীয়ামসি ৱাখল লায়না চেনফম থোকই হায়বগী মরু ওইবা মরমশিং ঙাক্তনি। মসি নত্তবা অতোপ্পা মরম কয়ামুক অমসু লৈতে হায়বদি নত্তে। হৌজিক্কী মতমসি লায়না মী হাৎপা য়াবা খূৎলায়শিংগী মতম হায়বদুসু চপ চানা ওই। মীপূম খুদিংমক মশা ঙাকথোকচনবা মতিক চাবা খূৎলায়শিং পায়ননবা অয়াম্বনা হোৎননৈ। লৈঙাক্লসু মতমসিগী ফীভম কূপ্না য়েংশিল্লবা মতুংদা লমদমসিগী চানবা মীওইশিংদা মশা কঞ্জনবা খূৎলায়শিং ইস্যু তৌরি। থৌদৌশিংসিগী অশেংবা ফীভমদুমক্তি মতমসিদা থবক শুদনা নুংঙাইনীংবা মীওই কাঙলূপ খরনা মখূত্তা মী হাৎপা য়াবা খূৎলায়শিং পায়রগা অদুনি-অদানি হায়জিন্দুনা মীবু কিহন-খংহন্দুনা নমদুনা শেল খায়নবা হোৎনবদগী থোক্লকখিবনি। থৌদৌসিসু লমদমসিগী মীওইশিংদা ৱাখল লায়না পোকহল্লক্লবগী অচৌবা মরমশিংগী মনুংদা অমা ওই। শেল খজিক্তং লৈরমগনি খনবা মফমশিংদা মফম-মরাং খঙদনা শেলগী দিমান্দ তৌশিল্লকপা, লমদমসিদা অচৌবা চৎনবী অমা ওইরক্লিবনি। ফীভমশিংসিদা লমদমসিগী লৈঙাক্লা অপাম্বা মীওইশিংদা মশা ঙাকথোকচনবগীদমক খূৎলায় ইস্যু তৌবসিসু তঙাইফদবা টেন্সনদি হেঙ্গৎলিবনি। অসুম্না, পিক্লবা ষ্টেটসিদা অমেরিকান কন্ত্রিশিংদা চৎনবগুম মী হাৎপা য়াবা খূৎলায়শিং ঙাক্তনা পীক থন্না পায়নরকপা হায়বসিসু লমদমসিদা ৱাখল লায়না হেঙ্গৎলক্লবগী মরমশিং ওই। নোং ঙাল্লকপগী অঙনবা অয়ূক্তা হেক য়াহৌরকপগা গেটতা গ্রেনেদ থেৎচিন্দুনা লৈরম্বা হায়বসি হেক উরুবদা উরুরিবা মীওইদুমদি খংপ্রেক খংদনীংঙাই লৈতে। পাখৎপগা লোয়ননা মীহুল চেনখৎতনীংঙাইগী মরমসু লৈরোই। লানগেরা-চুমগেরা থৌদৌসি ইরমদমসিগী লৈবাক মীয়ামসিনা হেক তারু-উরুবদা করিনি খনগনি? তশেং-তশেংনা মখোয়না তাল্লিবা মীওইদুনা অহকপা ফীভম অমদমক হেন্না লানশিল্লক্লম্বা থোক্লবসু মহাক মশা মতোমতগা নমদুনা উনদুনা ৱারী শাদোক্লনবা অমসুং লানখিবা কয়ামরুম্নু চুমথোকচহন্নবা হোৎনরম্ফম থোকই। মদু নত্তদুনা, হেন্দ গ্রেনেদ অমা মী অমগী থোঙ্গালদা হেক্তা নুমিদাংদা লোন্না য়ানশিন্দুনা থল্লম্বা হায়বসিদি থৌদৌদুবু মীয়াম্না অরানবা থৌদৌ অমনি হায়না লৌদনীংঙাইগী মরম লৈরোই। ফীভমদুনা ইমুংদুগী লাঞ্জদবা অতৈ ফেমলি মেম্বরশিং অমদি য়ূমথংনরিবা লৈকায়গী মীওইশিং কয়ামরুমদা পাখৎহন্দনীংঙাই অমসুং কিহন্দনীংঙাইগী মরম লৈরোই। অদুগা, ৱাখল লায়না পোকহন্দনীংঙাইগী মরমসু লৈরোই। থৌদৌসিদা মীয়াম্না হায়নীংলিবসি, 'ৱাখল লায়না ওইহনগদৌবা অদুগুম্বা অকি-তুজুংবগী থৌদৌশিংদু শুপ্নতগী মখোয়না লাল্লি লৌরিবা মীশক্তু খক্তদা চত্থবীয়ু অমসুং শেংদোক্লনবা অমদি ৱারী শাননবগী তাঞ্জাশিংসু লৌনবা হোৎনবীয়ু" হায়বসিনি।

মণিপুরগী লৈবাক মীয়াম পূম্বনা 'মণিপুরদা লৈরিবা ঐখোয় খুদিংমক লোইনা ৱাখল লায়না খরা খরা ইশাদা পক্লরবনি' হায়বসি য়াবীয়ু। থোইদোক্লা থাজদবা তৌবীগনু। শুপ্নগী তশেং তশেংনা লায়না মখলসিনা নাবদগী মীমাঙ থোক্লক্লবা অমসুং মীমান্ননা লৈবা ঙম্লত্ত্রুবা, ষ্টেজ য়ৌশিনখ্রবা মতমদতা মখোয়শিংসি খক্তবু মণিপুরগী মীয়াম্না লায়নাসিনা নারবা মীশকশিংনি হায়না লৌনবসি লানগনি। লায়নাসিনা নারবা মতুং চহী ১০ হেল্লবা ফাওবদা অয়াম্বা মণিপুরীশিংনা লায়নাসিবু লায়েংথোক্লবা খক হোৎনদে। মসি তশেংনমক্তি লমদমসিগী মীচম-মীয়াম ঐখোয় পূম্নমক্কী অশোয়বা অমদি ওইগনি। অয়াম্বা মতমদা ৱাখল লায়নানা নারবা মণিপুরগী মীয়াম্না মশা খঙজদনা মতম শাংনা-শাংনা লায়নাদুগী অৱাবা পোৎলুমশিং পুদুনা খাঙনৈ। থৌওংসি তশেংনমক মণিপুরদা হিংমিন্নরিবা ঐখোয় পূম্নমক্কী অচৌবা লাইবক থীবা অমনি। ঐখোয় পূম্বনা খজিক্তং শেরান্নরকপা অমসুং ৱাখল লম্ফে চৎনরকপা মতমদা লায়নাসিগী মরমদা খজিক্তংদা ওইরসু চেকশিন-থৌরাংশিং লৌখৎহন্নীংই। ৱাখল লায়নানা নারবা মীওই খুদিংমক অঙাওবগী লায়নানা নারবনি হায়না ঐখোয় পূম্নমক্লা লৌনবগী চৎনবীসিসু চুমথোকহন্নীংই। লায়নাসি হৌজিক্কী মতমদা অসুক্কী মতিক কম্মন ওইরবা মরম্না, লমদমসিদা অনাবা মখলসিবু মতিক চানা লায়েংবা ঙম্নবগীদমক হোস্পিটাল অমত্তং মণিপুর লৈঙাক্লা শুংশোয় শোয়দনা লীংখৎহন্নীংই।

"মথক্কী ফীভমশিংসি য়েংলগা মণিপুরদা ৱাখল লায়নাগী লায়েংশিং খুমাঙ চাওশিনহন্নবা হোৎনমিন্নবা ফৈ অমসুং লৈঙাক্কী মায়কৈদগীসু হীরমসিদা অসুক্কী মতিক পূক্নিং চঙবীবগা লোয়ননা ৱাখল লায়না (সাইকিয়াত্রিক) কীদমক তোঙানবা লায়েংশঙ অমত্তং য়াম্না অথুবা মতমসিদা মপূং ফানা শাহন্নীংই"। ●

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## ঐহাকসিবু মীওইবগী কনানো?

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

তাইবঙ মীওইবনা মাগী মাগী অপাম্বদা চৎনবা হায়বসি থিংবা ঙমদনা অদুমক চৎনবনা অয়াম্বনি। অফবা ওইগেরা, ফত্তবা ওইগেরা খঙলবসু খঙনা থাদোকপা ঙমদবা মখৈ অদুমক মতৌবনি। খঙনা-খঙনা, উনা-উনা থাদোকপা ঙমদবা মখৈ মখা অদুমক চত্থদুনা মরৈরবদি ময়াই কাবা চিঞ্জাকনি হায়না লৌবদা কাইদ্রবনি। ফত্তে খঙলবসু থাদোক্কে খন্দুনা ৱাখলদদি মরৈবা মতাংনা মতমনা লাকপদা ঙমদবা... মসিনা ময়াই কাবা চিঞ্জাক্কী ঈপাক্তা হিংলিবনি হায়নরিবসি। থিংবা অমসুং থিংদবা হায়বসি মশা মশাদা ওইগদবদা অদুমক মখা চত্থদুনা...। মসিনা মরম ওইরগা হিংগদবা খোইরেল লৈরিবা কনা-কনাগুম্বা মনুং মতম চাদনা তাইবঙপান থাদোকখিবা মানা তৌজরুবা থবক্তুগী ফংজবা ফলনি। মসি কনাদসু ৱারৌরুবা য়াবা নত্তে। লাইবক থীবা থৌদোক্তা এক্সিদেন্টদা লৈখিদবদুনা অমরোমদা থল্লগা মাগী মাগী তৌজরুবা থবক্কী মহৈনিনা মসিমদি কনানসু ফনা ঙাঙনদ্রবনি। তিঞ্জং কাইজংদনা অনা অয়েক য়াওদনা চাবা থকপা মহাউ লৈনা চারগা হিংবদগী ফবা অতৈ অমা লৈগদবা মান্দ্রবনি। হৌজিক্কী মতমদা লায়না অমা নাবদা মদুদা চঙগদৌরিবা শেলসি হিসাব তৌবা য়াবা নত্তে। গভর্ণমেন্টকী হোস্পিটালদা য়েংবনা শেল চঙবা হন্থরবসু প্রাইভেট হোস্পিটালদনা অয়াম্বা য়েংনরকপা ঙম্নমক য়াল্লবনি। অনাবা লাইওংদুগী মতুং ইন্না প্রাইভেটতা য়েংনবনা অয়াম্বনি। য়েংবু য়েংলবা লুপা কয়া চঙগদগে হিসাব তৌবা য়াবা নত্তে। ইনাক কৈরাক খুনবা খক্তনা লায়েংউ হায়রবা প্রাইভেট হোস্পিটালনি। ইনাক খুনবা, লায়রবা থোইদোকপা অচান মীরাই লৈত্রবা লায়েংশঙনি। লায়েংনবগী অনৌবা কাঙলোন কয়া অমা লৈদুনসু ফংদবা কয়া অমসু লৈরিবনি। ফংগেরা ফংলোইরা খ্বাইদগী ফবদি লায়না তীলনা লৈতনবা হোৎনবা মসিদগী ফবা অতৈ অমা লৈগদবা মান্দ্রবনি। হিংদবা য়াদনা হিংবসিদা থেংনদৌরিবা, তৌগদৌরিবা ময়াম হৌখিবনা হৌখ্রবসু লাক্কদৌরিবা, থেংনগদৌরিবা কয়া অমা মায় লৈদুনা চেনবসু য়াদা পামদ-পামদনা লৈথোকপা য়াদবমখৈ থেংনবদা নুংঙাইবা অৱাবা মসিমদি শোয়দ্রবনি।

লাইবক্লা তম্বা অমা ইশানা তৌজরুবা থবক্কী মহয় ফংবনা অমা খেন্নবদি অদুমক লৈরগদবনি। হিংনরিবা ময়ামসিগী মনুংদা লাইনসু য়াররোইদবা থবক থৌরম কয়া অমা মথৱায় তানা তৌজবা অদুগুম্বা মীওইদু শিরমদাইদা অফ-নুংঙাইনা তাইবঙপাল থাদোক্কনি হায়বসিমা থাজবা ৱাৎতুনা লৈরগদবনি। নোংমগী ওইনা অয়ূক্কী চাক্লুক অমা, নুমিদাংগী চাক্লুক অমা মসিমা চারগা হিংদবা য়ানা হিংবা তারবা অদুগুম্বা মীওইদু চহী নৌরিবদদি ওইররোই। চহী য়াল্লবা হৌজিক তৌবা থবক্তা কাউথোক্লবা, কাউবগী শক্তি লাক্লবা, নীংশিংবা ঙম্বগী পাঙ্গল ময়েং তারক্লবা অদুগুম্বা মীওইদু ওইদৌরিবনি। মচানা, মমৌনা থৌওই ৱাওইবীরক্ত্রবা অদুগুম্বা মীওই, মীওইবা মরক্তা অদুমক ময়াওরিবনি। মতাংসি লাক্লবা ঐগী হায়বদু ঐ নত্তনা লৈরোইদৌরিবনি। ফৈ ফত্তে ঙাঙদনা য়ারিবা মখৈ থম্মোয়দা ফাজিন্দুনা থম্নবা য়েংদা য়েংলগা চিন্দদি ঙাঙথোক্লুদবা মসিনা অফবা হায়বদু নমদনা ওইদৌরিবনি। হিংলিঙৈ মনুংসিদা খাদা, অৱাংদা, নোংপোক্তা, নোংচুপ্তা য়েক্লবা লৈনা হিংলিবনি হায়না হিংবা চখোক-খোৎতোক্লককপদা মশাগী হুঞ্জরিবা মীহুল অদু ফাওবা চেঙ্গুম চেঙ্গানদৌরিবনি। তিঞ্জং কায়জংদবা, য়েক্লবনি হায়বা কনাসু লৈতবা মহাক্তু হিংনবগী লম্বীদদি খ্বাইদগী তংদু লৈতানা হিংগদৌরিবনি। তম্বা ঙমদবা লাইবক্লা অমরোমদা থমখ্রগা শোয়দ-ঙামদনবা মাঙজৌননা চেকশিনবা মসিসু অফবা হায়বদু ওইদৌরিবনি। তুফক তুফাই চন্দুনা বুধি-লৌশিং থোক্তবা মখৈ হিংবা কনানসু থানগদবা নত্তে। ৱায়োং চাদবা মীদি লাইনা ফাত্তবা পাম্বা ৱাৎলিবনি। লাইনা পামদ্রবদি মীওইবনা করম্না...। তুংগী লাইবক লেপচনবগীমক করি তৌবা তাই, মসিমক খন্থদুনা থওই-ৱাওইদনা খল্লবা হিংবগী মহাউ য়াওররোইদবনি।

ধর্ম্ম চেন্দবা মশাগীতা খনবা অদুগুম্বা মীওইদুনা নুংঙাইনা হিংলবসু কুইনা চৎকদবা নত্তে। ঙাইহাক ঙাইহাক্কী ওইনা ... তুং কোয়না চৎকদবা মসিনি তাইবঙ মীওইবশিংনা তানরিবা। ঐগী খনবসিনা মশীং য়াল্লবা অদুগুম্বা মীওইদুমসু কনানসু নুংশিবা লৈররোইদবনি। পুকচেল শেংবা হায়বসিদি মীনসু য়াবা, লাইনসু য়াবা হায়বদু ওইদৌরিবনি। পুকচেলবু শেংদ্রবা তুং কোয়না কানররোইদবনি। মশাগী খনবদা অপেনবা নাইদ্রবা মীওইবা খঙদে, লাই খঙদে অদুমক মরৈরিবনি। ঙসি ফাওবসিদা নিংথৌ ওইরম্বা, শক্তি লৈরবা কংসবু নীংবা কনা লৈরিবগে? নিংথৌ কোন্দা নুংঙাইনা হিংদুনা লৈগদবা গৌতম বুদ্ধনা তাইবঙগী ময়া থাদোক্লগা... ঙসিদি বৌদ্ধ ধর্ম্ম হৌদোক্লম্বা মপু হায়বদু ওইরিবসিনি। মীওই কয়ানা ঙসিদি মাবু নীংজদুনা থাজবগা লোয়ননা হিংনরিবনি। নুমিৎ থানা লৈরিবমখৈ গৌতম বুদ্ধসু লেঙদনা লৈদৌরিবনি। অদুগা অমরোমদা ফত্তে তশেংনা খঙলবা কংসসু ৱারীগী মথেলদা য়াওদৌরিবনি। তাইবঙ মীওইবনা খ্বাইদগী পাম্নরিবসি লেঙদনা লৈবা মীংচৎসিনি। হৌজিক হৌজিক হিংনরিবা মীওইবা কাঙলূপসিদা নুমিৎকা থাগা লৈরিবা মখৈ লেঙদনা লৈহৌগদৌরিবা লৈববুদি য়াওরম্বা য়াই অদুবু থাজবদি ৱাৎলবনি।

*অদোমগী - হেমজিৎ ইরোম্বা. খুরাই লাইৱাংবা মমাঙ ইম্ফাল*